# সনসিল্ক মেগা মিস নোর্থইষ্টকী ওদিসন শিল্লোংদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

মেগা ইন্টরটেনমেন্ট, নোর্থ ইষ্ট লার্জেষ্ট সেসন এন্দ পিজেন্ট ইভেন্ট ওর্গনাইজরনা শীন্দুনা ১৮শুবা সনসিল্ক মেগা নোর্থ ইষ্টকী ফাইনেল ওদিসনগী থৌরম শিল্লোংদা লৈবা ওল সেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।




শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা সনসিল্ক মেগা নোর্থ ইষ্টকী ফাইনেল ওদিসন অদুদা নোর্থ ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী কেন্দিদেট কয়া শরুক য়াখি। মরুওইনা ইম্ফাল, দিব্রুগড়, গুৱাহাতি, কোহিমা অমদি অগরতালানচিংবদগীনি। পাঙথোকখিবা ফাইনেল ওদিসন অদুদা নোর্থইষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী চাউরাক্লা নুপী ২১০০ রোম্না এপ্লাই তৌরক্লুনা শরুক য়াখি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তগী নোর্থইষ্টর্ন ষ্টেট ৮দগী শুপ্নগী নুপী ৫০ খনগনি। মদুগী মতুংদা পাঙথোরকপা থৌরমদা ১৮শুবা সনসিল্ক মেগা নোর্থ ইষ্টকী টাইটল পীগনি।

সনসিল্ক মেগা নোর্থইষ্টকী ইভেন্ট অসিদা টেলেন্ট লৈবা নুপীশিংবু খনবগা লোয়ননা মখোয়বু নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী তোঙান তোঙানবা ব্যুটি পিজেন্টশিংদা শরুক য়াহনগনি। মেগা ইন্টরটেনমেন্ট অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি নহা ওইরিবা নুপী খূদিংমকপু পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা মখোয়না চৎলিবা লম্বী অসিদা নোর্থ ইষ্টকী য়ুথ আইকোন অমা ওইদুনা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্লবনি। পিজেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা নুপীশিংগী মরক্তগী ৱিন্নর অমদি রন্নরস অপকী টাইটল পীগনি। লেপ্পা লৈতনা পাঙথোরক্লিবা মেগা পিজেন্ট অসিগী ১৮শুবা সনসিল্ক মেগা নোর্থ ইষ্ট অসি সনসিল্ক থিক এন্দ লোংগা লোয়ননা আইটেক্স দেজল্লর, হোস্পিটালিটি পার্টনর রেদিসন ব্লু, সোপ্পিং পার্টনর সোহম এন্দ জ্বেল্লরি পার্টনর এল গোপাল জ্বেল্লরসনচিংবগী মতেংশিংদগী পাঙথোকপনি। সনসিল্ক মেগা নোর্থ ইষ্ট পাঙথোক্লিবা অসি ফেসন ওন্ট্রপ্রেন্যুর অভিজিট সিংহগী মীৎয়েং মখাদা মেগা ইন্টরটেনমেন্টনা পুথোকপনি। হায়রিবা ফেসন পিজেন্ট অসিদা নোর্থইষ্টর্ন ষ্টেটশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা নহা ওইরিবী নুপীশিংগী টেলেন্ট অদু উৎথোক্লবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

# ৮২শুবা নুপীলালগী থৌরম পাঙথোক্লবা কম্মিটি শেম্লে : লৌরেম্বম ঙানবী

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

৮২শুবা নুপীলালগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক্তা ওবজর্ভেসন কম্মিটি শেমদুনা থৌরম পাঙথোক্লবা শেম-শাবা লোইরে হায়না ৮২শুবা নুপীলাল নীংশিং নুমীৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভেনর লৌরেম্বম ঙানবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈবা পি পি সী এমগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা লৌরেম্বম ঙানবীনা মখা তারদুনা হায়, পীল্লবসু চাউরবসু পি পি সী এমনা কুমজা ২০১১দগী নুপীলাল নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিদা লূপশিংগী অপূনবা ওবজার্ভেসন কম্মিটি অসিসু শেমদুনা থৌ পুগদবশিং খল্লবা মতুংদা পাঙথোকপা হৌরকপনি। থৌরম অসি লেপ্পা লৈতনা পাঙথোরকপগী অচৌবা মরম অমা হায়রগদি ঐখোয়গী ইমাশিংনা মণিপুরী মীয়ামগীদমক থৌদাং লৌবীদুনা ঐখোয়গী চপ চাবা মফম অমা কন্দুনা থম্বীরম্বদগী ঙসি মৈরা পায়বী হায়বা অসি মালেমগী মীয়াম্না মশক খঙবীরিবনি। মরম অদুনা ইমাশিং অদুবু নীংশিংবা ওইনা পীল্লবসু চাউরবসু ইমাশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তবা য়াদে হায়দুনা লেপ্পা লৈতনা কুমজা ২০১১দগী পাঙথোকপা হৌরকখিবনি হায়খি।

ওবজার্ভেসন কম্মিটি অসিগী কনভেনর ওইরিবা ঐহাক হৌজিক হৌজিক অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ ওইনসু লৈরি। পি পি সী এমগী এদভাইজর ওইরিবা পোইৰে লৈমরোল মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবী, চিতুৱাগী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাশি লৈমা, নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট এন রমনি, কংলামৈগী প্রসিদেন্টৈ ৱাই লৈরিক লৈমনচিংবনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা হোৎনজদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা ওবজর্ভেসন কম্মিটি অসিদা অপূনবা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নবনি। ওবজর্ভেসন কম্মিটি অসিগী সব-কম্মিটি খরসু শেমদুনা লৈরিবা অসিদা ফাইনান্স, সোভেনার, মোবিলাইজেসন, পব্লিসিটি অমদি রিসিপসন হায়রিবা সব-কম্মিটিশিং অসিনা থবক থৌরম কয়াদা মায়পুনদুনা ৮২শুবা নুপীলাল নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌদাংশিং লৌগনি। সব-কম্মিটিদা থৌদাং লৌগদৌরিবা মীওইশিং অদুদি সোভেনার কনভেনরদা তম্মী-চীংমীগী নোংলৈমা, মোবিলাইজেসন অমসুং ট্রান্সপোর্ট কনভেনরদা লমাবম প্রেমিলা লৈমা, চিতুৱাগী ভাইস প্রসিদেন্ট, ফাইনান্স অমসুং রিসিপসন কনভেনরদা ৱাহেংবম সমা, পব্লিসিটি অমসুং ফিল্ড অমদি ষ্টেজদা অহৈবম সুশিলানা থৌদাং পুগদবনি। মরম অদুনা ৮২শুবা নুপীলালগী থৌরম মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু মানা মানা ঙম্বা থৌদাংশিং লৌবীদুনা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ঙসি পি পি সী এমগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## স্কিল দিভেলপমেন্ট ট্রেনিং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সীল (মাষ্টেক) ইম্ফালনা শীন্দুনা নুমীৎ তরেৎনিগী ওইবা ফুদ প্রোসেসিং (ভেল্যুএদেদ ফ্র্যুইটস এন্দ ভিজিটেবলস, সোই মিল্ক এন্দ পনীর, স্পাইসেস প্রদক্টস এন্দ বেকরি)নচিংবা ট্রেদশিংদা য়ুম্ফম ওইবা স্কিল দিভেলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা তাকয়েল পাৎতা লৈবা মাষ্টেক কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না কাউন্সীল অসিগী দিরেক্টর ডা. এল দিনাচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা য়াওবীনিংবা মীওইশিংনা মাষ্টেক্কী ওফিসতা লাকপীদুনা ফোর্ম লৌবা য়াগনি। লোয়ননা মাষ্টেক্কী ৱেবসাইট www.mastec.nic.in দগী ফোর্ম দাউনলোদ তৌরগা এপ্লিকেসন থাজিনবীরকপা য়াগনি। মেনশিল্লবা ফোর্মশিং অদু মাষ্টেক্কী ঈ-মেল mastec@nic.in দা নৎত্রগা ওফিসতা লাকপীদুনা নবেম্বর ২৯ ফাওবগী মমাঙদা থাজিনবীরকউ হায়রি।

# ইন্দিরাগী ৱারীমচা ১২গী লাইরিক *লুহোংলরোই* এন বি কোঞ্জেংবনা *ৱোন্ট আই মেরি*হায়না ইংলিসতা হন্দোক্তুনা ফোঙখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

কুমজা ২০১৫দা অইবী য়েংখোম ইন্দিরানা ইবা ৱারীমচা ১২ য়াওবা লাইরিক 'লুহোংলরোই'বু নৌহৌননা এন বি কোঞ্জেংবনা ইংলিসতা হন্দোক্তুনা 'ৱোন্ট আই মেরি' হায়না মিংথোনবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমা ঙসি হৌনবী মতুংইন্না সিৱেভস মণিপুরনা পল্লিশ তৌদুনা থৌবাল অৱাং লৈকায়দা লৈবা অইবী অসিগী য়ুমদা ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা মণিপুর সাহিত্য সমিটি থৌবালগী প্রসিদেন্ট রিটায়র্দ ৱিং কম্মান্দর এ দি সিংনা অথোইবা মীথুং, সিৱেভস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস তোম্বনা থৌরম মপু অদুগা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱাংজিংগী প্রসিদেন্ট এম রাজেন্দ্র অমদি ট্রান্সলেটর এন বি কোঞ্জেংবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর সাহিত্য সমিতি থৌবালগী প্রসিদেন্ট রিটায়র্দ ৱিং কম্মান্দর এ দি সিংনা হায়, ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা শক্নাইরবা অইবা কয়ানা ইরিবা ফজরবা লাইরিক কয়া অসি মালেম পুম্বনা খঙবা লোলদা ট্রান্সলেট তৌদুনা হেন্না চাউথোক্না খঙহনবা মতম ওইরে। মণিপুরগী মীয়াম্নসু অইবশিংবু হেন্না পূক্লিং থৌগৎপীবা তঙাইফদে হায়খি।

পনবা য়াই, অইবী ৱাই ইন্দিরানা ঙসি ফাওবদা কংলবা চেঙৈহি ময়াল, মঙলৈবাককী মঙলান, পুন্সি খোঙচৎসিদা, থম্মোয়গী লংলা, ইন দিস জর্নি ওফ লাইফ, সোজেʼন, লমদনবা অমদি লুহোংলরোই হায়বা মীয়াম্না শকখঙলবা শৈরেং অমদি ৱারীমচাগী লইরিকশিং ফোঙখ্রে। মীয়াম্নসু অইবশিংবু হেন্না পূক্লিং থৌগৎপা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।




HL-P/0468/27 Oct. to 26 Nov

**লৌশিং পুক্কে**

# ভর্নিক্স কাসিওসা:

## অঙাং পোক্লকপদা মশাদা তৈরকপা অঙৌবা পোৎলমশিং



ভর্নিক্স কাসিওসা নৎত্রগা ভর্নিক্স হায়বা অসি অঙাং পোক্লকপা মতমদা অঙাংগী উনশাদা তৈরকপা নান-নান লাউবা (ৱেক্সি, ক্রিমি নৎত্রগা চিজি ওইবা) পোৎলম অমনি। পোৎলম অসিদা অঙাং অদুনা পুক্নুংদা লৈরিঙৈগী দিভেলপমেন্টগী ওইবা অমসুং পোক্লবা মতুংগীসু প্রোটেক্টিভ ওইবা ফঙ্কসনশিং লৈ। ভর্নিক্স অসি সিবেসস গ্লান্দশিংনা থাদোরকপা সিবম অমদি মীরোল্লিঙৈ চয়োল ২১ মুক শুরকপদা থোক্লকপা পেরিদর্ম সেলশিং (মসিনা দিভেলপ তৌরক্লিবা উনশাগী সেলশিংবু কুপশিল্লি)গনা শাবনি।

থা য়াম্না কা হেন্না ৱাৎলিঙৈদা অরূম্বা য়াম্না ৱাৎনা পোক্লকপা অঙাংশিংদি মখোয়গী উনশাদা ভর্নিক্স অসি য়াওরক্তবা য়াই। চয়োল ৩২দগী ৩৭ ফাওবগী মনুংদা (থা শুদনা) পোকপা অঙাংশিংদনা থা শুরগা পোকপা অঙাংশিংদগী ভর্নিক্স হেন্না য়াওরকপা য়াই।

অঙাং পোক্লক্লবা মতুংদা ভর্নিক্স অসিবু অঙাং অদুগী উনশাদা থম্বগী কান্নবা অমসুং খুদোংথীবনচিংবগী মতাংদা মখাদা পীরি।

**ভর্নিক্স কাসিওসাগী মথৌ:** অঙাংশিংনা ভর্নিক্সতগী ফংবা কান্নবা অসি মীরোল্লিঙৈ মতমগী মতুংদসু ফংই। অঙাং অমগী উনশাদা ভর্নিক্স কাসিওসা খজিকখক্তং পকপনা ফাওবা অঙাং পোক্লিঙৈ মনুং অমসুং মতুংদসু কান্নহল্লি। কান্নবশিং অদুগী মনুংদগী খরা মখাদা পীরি:

– ভর্নিক্স কাসিওসাগী এন্টিমাইক্রোবিয়ল প্রোপর্টিশিংনা অঙাং অদুবু দেলিভরিগী মনুং অমসুং মতুংদা উনশাগী খুথাংদগী লৌনরকপা য়াবা ইনফেক্সনশিংদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

– মমাগী পুক্নুংদা লৈরিঙৈদা অঙাংগী উনশাবু অঙাংখাউগী মহীশিং অদুদগী ঙাকথোকই।

– ভেজাইনেল দেলিভরি (মহৌশাগী ওইবা মওংদা অঙাং পোকপা) মতমদা অঙাং থোক্লকপগী লম্বীবু লুব্রিকেট তৌদুনা ফ্রিক্সন থোকপগী চাং হন্থহল্লি।

– পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং অদুগী হকচাংগী অইং-অশাগী চাং চানা থমই।

– অঙাংদুগী উনশাবু মোইসচুরাইজ তৌদুনা কংশিনবা অমসুং চেকখায়গবদগী ঙাকথোকই।

-- উনশাগী অশোকপশিং (পোকপা মতমদা য়াওরগদি) ওইশিলহনবগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লি।

– পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংদুগী উনশাদা এন্টিওক্সিদেন্ট প্রোপর্টিশিং ফংহল্লি।

কান্নবশিং অসিদা নত্তনা, ভর্নিক্স অসিদা ক্লিনিকেলগী ওইবা অকক্নবা কান্নবশিংসু য়াওই। দোক্টরশিংনা মীরোনবী নুপীশিংদা য়ুটেরাইন রপ্চর, এম্নিওটিক ফ্লুইদ ইম্বোলিজম দাইগ্নোজ তৌবা অমসুং নুপী অদু দ্রগশিংদা এক্সপোজ তৌবরা হায়বা খঙদোকপদা মসিনা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই।

ভর্নিক্স অসি অঙাং অমগী উনশাবু ঙাকথোক্লবা মহৌশাগী ওইবা খুদোল অমনি। মসিবু অঙাংগী উনশাদা মতম শাংথনা থম্বা, হায়বদি, অহানবা ওইনা অঙাংদুবু ইরু-শাদেংবগী থৌওং অদু থীন্থবনা অঙাং অদুগীদমক মখল মখা কয়াগী প্রোটেক্টিভ স্কিনক্যের প্রদক্টশিং, খুদম ওইনা মোইসচুরাইজরশিং অমসুং অতোপ্পা প্রোটেক্টিভ ক্রিমশিং মথৌ তাবগী চাং হন্থহনবা য়াই।

**ভর্নিক্স অসি অঙাং অমগী উনশাদা কয়াম কুইনা থমগদগে?**

অঙাং পোক্লক্লবা মতুংদা অঙাংদুগী উনশাদা ভর্নিক্স অদু লোইনমক পকহন্দুনা থম্নবা দব্লিয়ু ঐচ ওনা রেক্কমেন্দ তৌরি। ভর্নিক্সকী কান্নবা অদু অঙাং অদু পোক্লক্লবা মতুংদা পূং খরা অঙাংদুগী উনশাদা মদু পকহন্দুনা থম্লবতদা ফংই।

অনৌবা ইভিদেন্সনা তাকই মদুদি, হাইজিনগীদমক, কংহন্নবগীদমক, নৎত্রগা নীংশা হোলহন্নবগীদমক ভর্নিক্সপু তৈথোকপা হায়বসি অঙাং খুদিংমক্কী ওইনা মথৌ তাদে।

অঙাং অদুগী খ্বাইদগী ইহান হানবা ওইনা ইরু-শাদেংবগী থৌওং অদু থীন্থবনা ভর্নিক্স কাসিওসাগী কান্নবা পুম্নমক ফংহনবদা মতেং পাংবা য়াই। কান্নবশিং মপুঙ ফানা ফংনবগীদমক ইরুজবিনবগী রেক্কমেন্দ তৌবা মতম অমা হায়বদুদি লৈতে। অদুমওইনমক, অহানবা ইরুজবা অদু পূং খরা থীন্থবনা কান্নবা ফংহল্লি।

মমা খরদি মখোয়গী মচা অদু পোক্লবা মতুং পুং খরদগীনা চয়োল অমা ফাওবা ইরুজবিদনা থম্বা য়াই। অহানবা ইরু-শাদেংবা অদু নুমিৎ কয়ানিরোম থীন্থবা হায়বদুদি মথৌ তাদে। অঙাং অদুগী উনশাদগী এম্নিওটেক ফ্লুইদ (পুক্নুংদগী তৈরকপা মহী-মনাইশিং) লৌথোকপা হায়বসি হাইজিন পর্পজকীদমক তঙাইফদবনি। মমা অদুনা হোস্পিটালগী ষ্টাফতা অঙাং অদুগী উনশাদা ভর্নিক্স খরা পকহলহৌরগা অঙাংদুবু তপ্না-তপ্না শেংদোকপিনবা হায়বা য়াই। মমানা অঙাংদু পোক্লবা মতুং নুমিৎ খরনি অঙাং অদুগী উনশাদা ভর্নিক্স অদুবু মাসাজ তৌবিবা য়াই। নাউথী তৈরগা, এম্নিওটিক ফ্লুইদ তৈরগা পোক্লকপা নৎত্রগা বর্থ কেনেলদগী ইনফেক্সনশিং কোন্ট্রেক্ট তৌরকপা য়াবগী রিস্ক লৈবা অঙাংশিংগী ওইনদি অহানবা ইরু-শাদেংবা থীন্থবা হায়বসি অফবা থৌওং অমা ওইদবা য়াই। অঙাং ইরুজবিবগী খ্বাইদগী ফবা মতম অমসুং মেথদশিংগীদমক হেল্থক্যের প্রোভাইদর অদুগা তানবা য়াই।

অয়াম্বা কেসশিংদা অঙাংগী উনশাদা ভর্নিক্স পকহল্লগা থম্বনা রিস্ক অমত্তা লৈহন্দে। নাউথী তৈরগা পোক্লকপা নৎত্রগা কোরিওএম্নিওটিক্সকী হিষ্টরি লৈবা অঙাংশিংদদি পূং কয়ামরুম ভর্নিক্স পকহল্লগা থম্বনা বেক্টরিএল ওভরগ্রোথ দিভেলপ তৌরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই। কেস খরদদি, ভর্নিক্স তৈথোক্তনা থম্বনা মেটর্নেল ইনফেক্সনশিং খুদম ওইনা হেপাটাইটিস অমসুং ঐচ আই ভিগুম্বা কোন্ট্রেক্ট তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহনবা য়াই। মসিদা নত্তনা রিস্ক লৈবা য়াবা অতোপ্পা ফিভম খরসু লৈরি। মরম অদুনা ভর্নিক্সকী মতাংদা দোক্টর নৎত্রগা হেল্থক্যের প্রোভাইদরগী পাউতাক লৌবগা লোয়ননা পাউতাক অদুগী মতুংইন্না মথৌ তাবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

## থাউগী মমল হন্থখ্রবসু গাড়ী থৌরিবশিংনা লৌনিং লৌনিংবা অতোংমল লৌরিবসি হেংংশিনবীয়ু



কোভিদ-১৯ অমদি থাউ তাঙবগী মিংদা পেসেঞ্জর পুদুনা চেল্লিবা গাড়ী মখল খূদিংমক্লা মানা-মানা লৌনিংবা গাড়ী অতোংমল ঙসিসু অদুম্মক লৌদুনা লৈবা মরম্না লৈত-লায়রবা লমদম অসিগী মীয়াম খম থেংনা ৱানরে। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈবগুম তৌরিবা অসিদা মীয়াম্না পেন্নদ্রে। পেসেঞ্জর গাড়ী থৌরিবা কাঙবুসু মীয়ামদগী লৌবা য়াই হায়দুনা পংলৌদা লৌবগী থৌওং অসি কুইরে মখোয়না চথরক্লিবা। করিগুম্বা কান্দা পেসেঞ্জর কাঙবুগা দ্রাইভরগা খৎনবগী থৌদোক-ৱাথোক কয়া অমা থোক্তবসু নত্তে। অদুগা সিভিল ওর্গনাইজেসন ময়াম্নসু করিগীদমক ঙসি ফাওবা তুমিন্না লৈবীরিবনো, হৌজিক স্কুল, কোলেজ কাবা হৌনরক্লে। লায়রবা মহৈরোয়শিংদি গাড়ী অতোংমল পীনিংঙাই লৈতবদগী স্কুল, কোলেজ কাদবা ফাওবা য়াওনরে। মরম অসিনা ঐখোয় পুম্নমক্না হীরম অসিগী মতাংদা অখন্ননা মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে হায়না খল্লি। লোয়ননা হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্টনসু অথুবা মতমদা অনৌবা গাড়ী অতোংমলগী লিষ্ট অমা শেমদোকপীদুনা লৈবাক মীয়ামদা খঙহল্লবদি ঙসি মীয়াম্না ৱানরিবা অমদি গাড়ী চেল্লিবা মীওইশিংনা গাড়ীগী অতোংমল লৌনিংবতা লৌরিবগী থৌদোক অসি ফগনি হায়না খল্লি। নৎত্রবদি স্কুল হাংদোক্লবসু গাড়ী অতোংমল পীনিংঙাই লৈতবনা স্কুল কানরক্তবদি মদুগী ৱাহন্থোক করিসু লৈরোই। মতম শাংনা ৱাদুনা লাক্লবা মীয়ামদা অমুক্কা নৌহৌননা অনৌবা চৈথেং পীবা হায়বদুসু ওইরোই।

❒ সোরোখাইবম ওজিৎ, লমদিং

## ঙসিগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা চাকঙাই ৱারী অমদি ফুঙ্গা ৱারী তাবা ফংখিদ্রে



মতমগী অওনবদা য়াওখ্রবরা করিনো খঙদে। অবোকনা মতম অমদা মখোয়-মখোয়গী মশুশিংদা ফুঙ্গা ৱারী লীরম্বশিং অদু ঙসিদি তাখিদ্রে। হৌজিক্তি ফুঙ্গাসু য়ূমথোঙ অয়াম্বদা লৈনদ্রে। অঙাংশিংদসু মমা-মপা ওইবশিংনা লাইরিক-লাইশুদা হেন্না পূক্লিং লুপ্নবা হোৎনখিবা মরম্না মপূ-মবোক্কা লোয়ননা লৈমিন্নবা ফংখিদ্রে। অদুঙৈ মণিপুরগী য়ূমথোঙ খূদিংদা চাকশঙদা লৈবা ফুঙ্গা মপান্দা ইকোয় কোয়না ফমদুনা চাক লোইবা ঙাইবা ওইনা লীখিবা চাকঙাই ৱারী অমদি ফুঙ্গা ৱারী হৌজিক্কী হৌরক্লিবা মীরোলশিংনসু তাবা ফংখিদ্রে। মবোক্কা মশুশিংগগী মরক্তা হৌজিক্তি য়াম্না চাওনা লাপ্নবগুম তৌরে। ঐখোয়গী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা তাবদা নুংঙাইবা অমদি নুংশিরবা ৱারী কয়া খূদম ওইনা হায়রবদা হনুবা-হনুবী পান থাবগী ৱারী, তপ্তা, ইতা থাওমৈ, হৌদোং লম্বোইবা, কৈবু কৈওইবগী ৱারী, উচেক লাংমৈদোংগী ৱারী, লাই খূৎশাংবী, নিংঙোল মৱা অতনবা, লুখ্রাবী মচা অপঙ ৱারী অসিগুম্লবা ফজখ্রবা য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবগা লোয়ননা ফজরবা পাউজেল পাউতাক পীরিবা ফুঙ্গা ৱারী কয়া অসি করি-করিগুম্বা মতমদা মুৎখিগদ্রা হায়নসু চিংনদবা ঙমদে। লাইরিক্তবুদি মহৈরোয়শিংনা হায়রিবা ৱারীশিং অসি খরা-খরা তম্বা থেংনৈ। ফিল্ম ওইনা পুথোকপসু য়াওনরে। অদুবু য়েংবগী মতম ইফং ফংদে। মরম অদুনা অসিগুম্লবা পুৱারী ওইরবা ৱারী মচাশিং অসি পাউচেশিংগী খূথাংদা অখন্নবা নুমীৎশিংদা হাপ্পীরবদি য়াম্না কান্নগনি খল্লি। লোয়ননা স্কুলগী সেলেবসশিংদসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা হাপ্পগী তঙাইফদবা লৈ হায়জনিংই।

❒ এস কে নাওরেম, শীংজমৈ

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।১১।২০২১ ইং, শগোলশেল; নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.০১ ফাওবা হিয়াঙ্গেগী ১৪নি পাল্লি, মতুং থানিল ওইরনি।

মেষ: মীয়াম্না য়াবা, লন ফংবৈ নুংঙাইবা, ইমুং-মনুং লোনদিন্নবা, মরুপকী মতেং ফংবা অমদি নিংবা মপা চাবা নুমিৎনি। অদুবু হুরানবনা নরলদা য়েংথিবা লৈ ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: হকচাং নুংঙাইবা, থৌনা ফুদোকপগী কান্নবা ফংজবা অমদি ইমুং-মনুং ৱাতান্নবনা কান্নবা হেন্না ফংজবা নুমিৎনি। মরুপ মপাংগা অনম তান্নবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: ঙসিসু নরল চাওখৎকনি, শেন্দোং য়াম্না ফংজগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই। য়েক্নবনা শাওহনগনি অমদি ফিংলদি মাঙজগনি, লন পনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: নিংবা মপা চাই, খুৎ চাওবগী কান্নবা ফংগনি অমদি লাই গুরুনা চানবীবা নুমিৎনি। করিশু নত্তবদা য়েৎনবনা মাঙজবা লৈগনি, খাঙবা কল্লু, লানগে খনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: পাংঙমদবা থবক পাঙগনি, মীয়াম লোয়নবনা কান্নগনি অমদি নঙগী ওইবা মী লোয়নৌ। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি, অনম তানগনু , মীতোপতৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: হনবা লৈতনা হোৎনবনা কান্নবা খরদি ফংগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা নাইতোম ৱা তুপ্পসু য়াগনি। শাগৈ নত্রগা নক্নবনা নরল মাঙহনগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচঙ ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: নিংবা থুংগনি, মীচঙ ৱাৎলোই অমদি অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চংবা কান্নগনি। অঙম্বনা চৈবীবা য়াবা লৈ, ৱাঙাং হৈয়ু অমদি য়েৎনবা য়াবা মরমদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: মায় পাকচবা, নিংবদুমক পাঙবা য়াবা অমদি য়েৎনরম্বা কয়া ঙমজবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাং লোয়নবা ফৈ অমদি থিবা হুম্বা তন্দবৈ কান্নবা ফংগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: মতম মাঙনিংঙাইনি, হেন্না হোয়া ফগনু। অঙম্বনা কায়নহন্নবা হোৎনরক্কনি অমদি ৱা তুপথোক্কনু। শেল অমদি মীচঙ হেনগৎনবা হোৎনবদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: মীংচৎ ফংগনি, থৌ পাঙগনি অমদি লাই-গুরুনা চানবীগনি। মরুপকী মতেংনা অরুবা থৌরম পাঙবা ঙমগনি। পন্দুনা লৈখিবা শেল-থুম থৌজিনবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্ভ: মীচঙ হেনগৎনবা হোৎনবা কান্নগনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি ৱাখল থোক্কনি। হন্থবনা মরুপ কায়নহনগনি, হেন্না চাদিং তৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: লৌশিংনা শেল তানগদবা অমদি হকচাং নুংঙাইবনসু ওইজ-ওইথক হেন্না তানশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। থাজদবা মরমদসু মায় পাক্কনি, মীয়ামগী মতেং লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।